নাভজোট সিধু রিজাইন তৌখ্রে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): অহানবা ওইনা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর চরঞ্জিৎ সিংহ চান্নিগী কেবিনেট চাউথোকপগী মওংদা পেন্দ্রবা ষ্টেট কোংগ্রেস চীফ নাভজোট শিং সিধু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফম অসিদগী রিজাইন তৌখ্রে।

তৌইগুন্বসুং সিধুনা মহাক মখা তানা পার্টি অসিদা লৈখিগনি হায়না ফোঙদোকখি। চীফ মিনিষ্টর চান্নিনা মহাক্কী কেবিনেট কোলিগশিংগী পোর্টফোলিওশিং লাউথোক্লবা মতুং শুপ্লগী পুংখায়মুক্কী মনুংদা সিধুনা ফম থাদোকপগী ৱাফম অসি মহাক্কী ত্বীটর হেন্দলদা লাউথোকখি।

পার্টিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিদা পীশিনখিবা ফম থাদোকপগী চেরোলদা সিধুনা মহাক পঞ্জাবকী তুংলমচৎ অমসুং ষ্টেট অসিগী ৱেলফেয়রগী ৱাফমদা মন্তিক্লরোই হায়খি। মহাক মখা তানা কোংগ্রেসতা লৈদুনা পার্টিঅসিবু থৌগল তৌখিগনি হায়নসু সিধুনা লেট্টর অদুদা পনখি।

কেবিনেট চাউথোকপদা অপান্বা এম এল এশিং য়াওরক্তবা অমসুং অনৌবা এদভোকেট জেনরেল এ পি এস দিওল খনবগী মতাংদা মহাক রিজাইন তৌবনি হায়রি।

য়ু পিগী পুলিসতা সী পি আরগী ট্রেনিং পীরগনি

লক্ষৌ, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): অনৌবা ইনিসিএটিভ অমদা উত্তর প্রদেশকী পুলিস পর্সনলশিং হৌজিক কার্দিও-পলমোনরি রিসীসিটেসন (সী পি আর)গী ট্রেনিং পীরগনি। ক্রাইসিস মতমদা মীওই কয়াগী থৱায় কনবা ঙম্নবগীদমক্তা মখোয়বু সী পি আরগী ট্রেনিং পীগদৌরিবনি।

আইক্যের (কার্দিয়াক এরেষ্ট রিসীসিটেসন ফোর এভরিৱান)না শীন-লাংখিবা ৱর্কশোপ অমদা শরুক য়াখিবা উত্তর প্রদেশকী দি জি পি মুকুল গোইলনা হায়খি, অহানবা রেস্পোন্দরশিং ওইনা পুলিসমেনশিং কার্দিয়াক এরেষ্টকী খুদোংথীবশিং নীংথিনা খঙবগা লোয়ননা মখোয়বু সী পি আরগী ট্রেনিং পীগদবনি। মসিনা মীওই কয়াগী থৱায় কনবদা চাওনা মতেং ওইগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মেদিকেল ফর্ষ্ট এইদ প্রোসিজরশিং তকশিন্দুনা পুলিস পর্সনলশিংনা হোস্পিটালগী ৱাংমদা খঙহৌদনা হার্ট ফেল ওইরকপগী কেস থেংনবদা মীচমশিংবু মতেং পাংবা ঙমগনি। সী পি আর ট্রেনিংগী খুদোংচাবা অসি জেনশিং অমসুং রেঞ্জ লেভেলশিংদা ফংহনগনি। চহী খূদিংগী লৈবাক অসিদা সন্দন কার্দিয়াক এরেষ্ট (এম সী এ)না মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন অনীরোম শি হায়না ডা. অদিত্য কাপুরনা ফোঙদোকখি। মশাদা এস সী এ থেংনরিবা মীওইশিং মনাক নকপদা লৈবশিংনা কনবা য়ারবসু অসিগুম্বা ইমর্জেন্সিশিং করম্না হেন্দল তৌগদগে হায়বা খঙনদবদগী অসিগুম্বা প্রোব্লেম লৈবা মীওইশিং শিবগী থৌদোক তোয়না থোকই।

লোক সভা সিট অহুম অমসুং এসেমব্লি সিট ৩০গী বাই ইলেক্সনশিং ওক্টোবর ৩০দা পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী লোক সভা সিট ৩ অমসুং এসেমব্লি সিট ৩০গী বাই ইলেক্সনগী মতম লাউথোকখ্রে।

বাই ইলেক্সনশিং অসিগী ভোট মশিং থিবগী থবক নভেম্বর ২দা পাঙথোক্কনি। অন্ধ্র প্রদেশ, হরয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, কর্নাটকা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, রাজস্থান, তেলঙ্গনাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সীশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি দাদ্রা এন্দ নগর হাবেলি অমসুং দমন এন্দ দিয়ু, হিমাচল প্রদেশ, মধ্য প্রদেশকী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সী অহুমগী বাই ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন ওক্টোবর ১দা থোক্কনি।

নোমিনেসন ফাইলিংগী অরোইবা তারিখ ওক্টোবর ৮নি। নোমিনেসন পেপরশিং ওক্টোবর ১১দা স্ক্রুটিনি তৌগনি। নোমিনেসন ৱিদ্রো তৌবগী অরোইবা তারিখনা ওক্টোবর ১৩নি। এসেমব্লি অমসুং লোক সভা সিটশিং অসিগী মীখল ওক্টোবর ৩০দা পাঙথোক্কনি অমসুং নভেম্বর ২দা ভোট মশিং থিগনি।

অসাম, বিহার অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বাই ইলেক্সনগী মতম চপ মান্নগনি। তৌইগুন্বসুং নোমিনেসন ৱিদ্রো তৌবগী তারিখতি ষ্টেট অহুমগী সিটশিং অসিগী ওইনা ওক্টোবর ১৬নি। বাই ইলেক্সনশিং অসিগা মরী লৈননা ঈ সি আইনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, মীখলগা মরী লৈনবা থবক খূদিংমক মতিক চাবা ওথোরিটিশিংনা ইস্যু তৌবা কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং চেকশিন্না ঙাক্লুনা পাঙথোক্কনি।

সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং মাস্ক, সেনিটাইজর শীজিন্নবা, থর্মেল স্কেনিং ফেশ সীল্ড, হেন্দগ্লোভনচিংবশিং গাইদলাইনশিং অসিগী মতুং ইন্না শোয়দনা শীজিন্নগদবনি। কোভিদ প্রোটোকোল ঙাকপগী থবক অসি এস দি এম এনা য়েংশিনগনি।

কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং কমপ্লাই তৌইনৎত্রগা তৌদে হায়বসি চীফ সেক্রেটরি, দি জি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওথোরিটিশিংনা মোনিটর তৌগনি। কম্মিসননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ইলেক্সন দ্যুটিদা এনগেজ তৌরিবা প্রাইভেট পর্সনশিং য়াওনা পোল্লিং পর্সনল অমদি ইলেক্সন ওফিসল পুম্নমক মখোয়গী মথৌদাংশিং পাঙথোক্ত্রিঙৈদা কোভিদ ভেক্সিন দোজশিং মপূং ফানা কাপকদবনি।

কেন্দিদেট অমনা নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টি অমনা মথক্কী গাইদলাইনশিং অসি ইন্দবা তারবদি মরী লৈনবা কেন্দিদেট নৎত্রগা পার্টিদা রেল্লিশিং নৎত্রগা মীটিংশিং পাঙথোক্নবগী পর্মিসন মখা তানা পীররোই।

ষ্টার কেম্পেনর অমনা কোভিদকী প্রোটোকোলশিং ইন্দবা তারবদি মহাক মখা তানা মরী লৈনবা কন্সটিট্যুএন্সী/দিষ্ট্রিক্টতা কেম্পেন তৌহল্লোই। পব্লিককা নৎত্রগা ইলেক্সন ওফিসল-শিংগা শম্নরক্কদৌরিবা কেন্দিদেট/ইলেক্সন এজেন্ট/দ্রাইভরনচিংবশিং ভেক্সিন দোজশিং শুনা কাপকদবনি।

পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্তা কোভিদ নোদেল ওফিসর ওইনা হেল্থ ৱর্কর অমমম এপোইন্ট তৌগনি। চীফ সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা মীখলগা মরী লৈনবা ঈরাংশিং থোকহন্দনবগীদমক মতিক চাবা থৌরাংশিং অমদি মথৌ তাবা এরেঞ্জমেন্টশিং লাংগনি।

চয়োল অমা চত্থগদবা ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮(এজেন্সী): দেল্লী গভর্ণমেন্টনা চয়োল অমা চুপ্না চত্থগদবা ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন প্রোগ্রাম অসোলা ভাটি ৱাইল্ডলাইফ সেঙ্কচ্যুৱরিদা ওক্টোবর ২দগী হৌরগনি হায়না ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর গোপাল রাইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দেল্লীদা উ থাবগী দ্রাইভ খুমাঙ চাওশিন্নবা চত্থবগী মথক্তা সিটি গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সনগী তঙায় ফদবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনগনি। ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সনগী এৱেয়রনেস শন্দোক্লবা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা ন্যু দেল্লীগী অসোলা ভাটি ৱাইল্ডলাইফ সেঙ্কচুৱরিদা ওক্টোবর ২দগী ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌগনি। প্রোগ্রাম অসি ওক্টোবর ৮ ফাওবা চত্থগনি হায়না রাইনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা হায়, কুমজা ২০২২গী মার্চ ৩১না লোইবা চহী অসিদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা উ চারা লাখ ৩৩ থাবগী টার্গেট থল্লি। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

টার্গেট থল্লিবা উ চারা লাখ ৩৩গী মনুংদা উ চারা লাখ ২২ লিশিং ৩২দি দেল্লী গভর্ণমেন্টনা জুন থাদা ভন মহোতসভ চয়োলদগী হৌরগা থাখি। উ চারাশিং থাবগী দ্রাইভ অদু পূন্না দিপার্টমেন্ট ১৯না মেনেজ তৌরি।

দেল্লীগী গ্রীন কোভর অপদেট তৌরদুনা রাইনা হায়, হৌখিবা চহী মঙাগী মতমদা নেসনল কেপিটেলদা পূন্না উ চারা ক্রোর অমগা লাখ ১৫ থাখি। ঙসি ঐখোয়গী সিটি অসিগী গ্রীনবেল্ট এরিয়া অসি চাদা ২১.৮৮নি। মসি দেল্লীগুম্বা প্লেন এরিয়া অমগী প্রিস্ক্রাইব তৌরিবা গ্রীন লিমিটতগী চাদা ১.৮৮ হেল্লি। ফোরেষ্ট সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না, চীংগী লমদমদা গ্রীনবেল্ট এরিয়া অসি অপূনবা এরিয়াগী চাদা ৬০ ওইগদবনি অমসুং তম্পাক্কী লমদনা অপূনবা এরিয়াগী চাদা ২০ ওইগদবনি।

মিনিষ্টরনা হায়, কুমজা ২০১৫-১৬ উ চারা ১৬,৫১,০০০ থাখি, কুমজা ২০১৬-১৭ চহীদা উ চারা লাখ ২৪ থাখি, কুমজা ২০১৭-১৮ চহীদা লাখ ১৬ অমসুং কুমজা ২০১৮-১৯ অমসুং কুমজা ২০১৯-২০২০দা উ চারা লাখ ২৮ থাখি। অসুম্না পূম্না উ চারা ক্রোর অমা হেন্না থাখি।

মথক্তা পল্লিবা উ চারা মশিং অসি শোয়দনা থাবা ঙম্বদা ফোরেষ্ট এন্দ রিসর্চ ইন্সটিট্যুট দেহরাদুন অমসুং পুসা ইন্সটিট্যুটনা থর্দ পার্টি ওদিট পাঙথোক্কনি। ওদিটশিং অসিনা হৌজিক ফাওবদা করম্না মফমশিংদা উ কয়াম থাখ্রে হায়বসি খঙহনবগা লোয়ননা প্লান্টেসন দ্রাইভশিং অসি কদায় ফাওবগী চাংদা মায় পাক্লবগে হায়বদু খঙহল্লগনি।

রিভিয়ু মীটিং অদুদা দেল্লী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, দেল্লী দিভলপমেন্ট ওথোরিটি, ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লী, দেল্লী জল বোর্দ, দেল্লী মেট্রো রেল কোর্পোরেসন লিমিটেদ, ষ্টেট ইন্দষ্ট্রিএল এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচরেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন, নোরর্দন রেলৱেজ, কেন্টনমেন্ট বোর্দ, নোর্থ দেল্লী পৱার লিমিটেদ, দেল্লী ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন অমসুং হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা টেররিষ্ট তরেৎ হাৎখি, অমা ফাখি : আর্মি

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা উরি সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা টেররিষ্ট ৭ হাৎখি অমসুং টেররিষ্ট ১ হিংনা ফাখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

মীদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা মেজর জেনরেল ভিরেন্দ্র ভাটস, জি ও সী, ১৯-ইনফেন্টরি দিভিজননা হায়খি, খূৎলায় পায়দবা মীওই অমত্তগী মায়োক্তা ফোর্স শীজিন্নদবা হায়বা ইন্দিয়ন আর্মিগী কাঙলোন অসি ঙাক্লুনা ঐখোয়না মশাগী চহী ১৯ শুরবা মিলিটেন্ট অমা ফাখি।

জি ও সীনা মখা তানা হায়, এল ও সীগা নক্লবা মিলিটেন্ট লোঞ্চ পেদশিংদা মিলিটেন্টশিংগী মুভমেন্ট কনশিল্লকখি। কাশ্মিরদা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা চাওনা থোকহনগদবা এটেক কয়া চত্থনবা অমসুং য়ৈখায় থিনগায়বা কয়া থোকহন্নবা ইস্লামবাদনা মিলিটেন্টশিং লেপ্তুনা থাজিল্লক্লবা হোৎনরি। এল ও সীদা পেট্রোলিং তৌরিবশিংনা চিংননিংঙাই ওইবা মুভমেন্ট কয়া উরকখিবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ১৮গী অহিংদা ওপরেসন অসি হৌখি। ওপরেসন অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পখি। কূপ্পা য়েংশিনবদা নারোন্দা চঙলক্লবা হোৎনখিবশিং অদু মীওই তরুক শুই হায়বসি খঙবা ঙমখি।

নোংমৈ কাপ্পবা হৌরকপদা টেররিষ্ট অনী ফেন্সিং লান্না চঙলকখি। অমসুং মখোয় মরিনা ফেন্সিংগী ৱাংমদা লৈরমখি। পাকিস্তাননালোম থংবদা লৈরিবা টেররিষ্ট ৪ অদুনারক-মোংশোং অমসুং অমস্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা মফম অদুদগী হন্দোকখি। টেররিষ্ট ২ চঙশিল্লক্লে হায়বসি খঙবগা অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিনখি। মফম অদু মীচম য়াম্না লৈবনা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না থবক তৌখি।

খূদিংমক অসি সেপ্টেম্বর ১৮গী অহিংদা থোকখিবনি। টেররিষ্টশিং অসি থেংখাং কয়াদা চেন্থোক্লবা হোৎনখি। মমৈথংদা ঐখোয়গী ক্রুপশিংনা সেপ্টেম্বর ২৫গী নুমিদাংদা টেররিষ্টশিং অসিবু মফম অমদগী হেনে দাকহন্দনা থম্না ঙমখি। মখোয় নলাহ অমদা লোৎতুনা ফিভম শেল্লমখি। মদুগী মতুং সেপ্টেম্বর ২৫গী অয়ুক্তা খূৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট অমা হাৎখি।

মহাক্কা লোয়নরম্বা খূৎলায় পায়দবা অমদি মথ্বায় কনবিনবা হায়জরকপদগী মহাক অশোয় অঙাম থোকহন্দনা হিংনা ফাখি। নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা পূন্না মিলিটেন্ট ৭ হাৎখি হায়না জি ও সিনা ফোঙদোকখি।

অনিল ভিজ এইমসতা এদমিট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯দগী ফরবা মতুংদা কমপ্লিকেসন লাকপগী কমপ্লেন্টেকা লোয়ননা হরয়ানাগী হেল্থ অমসুং হোম মিনিষ্টর অনিল ভিজ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা এদমিট তৌখ্রে।

মহাক শ্বর হোনবা নুংঙাইতে হায়রম্লবা মতুংদা দেল্লীগী এইমসতা পুখৎখি। মহাক এইমসকী দিরেক্টর রন্দীপ গুলেরিয়াগী ওবজর্ভেসন মখাদা থমখি। নোংমাইজিং নুমিৎ মহাক্কী ওক্সিজেন লেভেল হন্থরকপদগী দোক্টরশিংনা মহাকপু পোত্থানবা পাউতাক পীখিবনি। মহাক ওক্সিজেন সপোর্ট পীরগা থমখি।

মমাঙদসু ওগষ্ট থাদা হরয়ানাগী হেল্থ মিনিষ্টর অসি ওক্সিজেন লেভেল হন্থরকপদগী পি জি আই চান্দিগরদা এদমিট তৌখি। হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী মহাক হরয়ানা এসেমব্লিনা নোংজু মীফম য়াওখিদে।

বি জে পিগী সিনিয়র লীদর অসি ভারত বাইওটেককী কোভেক্সিন চাংয়েং মনুং হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা ভেক্সিন অসিগী দোজ অমা কাপ্পবা মতুং ইকুই কুইদনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। মহাক গুরুগ্রামদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি অমসুং চয়োল অহুম লৈরগা দিসচার্জ তৌখি। ভারত বাইওটেককী কোভেক্সিনগী ৩শুবা ফেজ চাংয়েংদা মহাক অহানবা ভোলন্টিয়র ওইনা চোংথোকখি। অনিল ভিজ ভেক্সিন দোজ ২মক কাপখি। অদুম ওইনমক, ওক্সিজেন লেভেল হন্থরকপদগী হোস্পিটালদা তোয়না এদমিট তৌখি।

বুথ খূদিংমক্তা ওবজর্ভরশিং দিপ্লোয় তৌনবা ঈ সীদা তকশিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা কন্টেষ্ট তৌরিবা ভবানিপুরদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ঈরাং থোকখিবা য়েংদুনা বি জে পিগী দেলিগেসন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া উনখ্রে অমসুং মীখল ঈংনা-চিক্লা পাঙথোকপা য়ানবা মাইক্রো ওবজর্ভরশিং অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী কম্পনি ৪০ দিপ্লোয় তৌনবা তকশিনখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং ভুপেন্দ্র য়াদব, মুখতার অবাস নাকভি, অনুরাগ থাকুর অমসুং পার্টিগী লীদর ওম পাথক য়াওবা বি জে পিগী দেলিগেসন অমনা ঈ সী আইগা উনখি। ঈ সী আই উনরবা মতুংদা য়াদবনা হায়খি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং থোক্লল্লি হায়বসি ঐখোয়না ঈ সী আইদা খঙহনখ্রে।

মমতা অমসুং মহাক্কী পার্টি ৱর্করশিংনা ইলেক্সন্দগী ভাইওলেন্সতা হেন্না থাজবা থম্মী। ঙরাং ঐখোয়গী পার্টিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোশতা এটেক তৌখিবা মওং অদুনা টি এম সী অমসুং মসিনা পায়বা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ভাইওলেন্সপু দিমোক্রেসিগী কাঙলোন অমগুম লৌরি।

মতম চানা তৌফম থোকপশিং তৌখিদবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা বি জে পিনা ঈ সী আইদা দিমান্দ তৌখ্রে। ঈ সী আইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতগী রিপোর্ট কৌখিবদা মীওই নিপাল ফারে হায়রকখিবসি থৌদোক অদুবু কূপশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগী মহুত্তা ওর্গনাইজেসনশিংগী ওফিসলশিংনা য়েংশিন্নবা বুথ খূদিংমক্তা মাইক্রো ওবজর্ভরশিং দিপ্লোয় তৌবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা য়ামদ্রবদা সী এ পি এফ কম্পনি ৪০ নৎত্রগা হেন্না দিপ্লোয় তৌবা বি জে পিনা দিমান্দ তৌখি।

ষ্টেট পুলিস নৎত্রগা হোম গার্দশিং নৎত্রগা অতৈ অমত্তা মীখলগী দ্যুটিগা মরী লৈননা দিপ্লোয় তৌরোইদবনি হায়না পার্টি অসিনা ঈ সীদা তকশিনখি। পোলিং নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৩০দা সেক্সন ১৪৪ চৎনহন্নবসু পার্টি অসিনা মখা তানা তকশিনখি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - III, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 207/AS & SO/III **Date 27-09-2021**

1. Thokchom Jadhop Singh S/o Th. Ibochou Singh, Kongpal, Kongkham Leikai
2. Thokchom Bijando Singh S/o Thokchom Ibochou Singh Kongpal, Kongkham Leikai - Petitioners

-Vs-

Thokchom Ibochou Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kongpal Kongkham Leikai - O.P.

/ NOTICE

Imphal, 28-09-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং-23 Kongkham Leikai পাট্টা নং 96 অরিবা 27/A/B অনৌবা দাগ নং 48/A part এরিয়া .13 একর চাওবা ইস্কোল অসিগী পাট্টাদার নং Thokchom Ibochou Singh মৃত্যু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইস্কোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 6-10-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer**
III-Manipur

HL-P/0193/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 194/SDC/NBL of 2021

Meitangkeishangbam Muhindro Singh S/o (Late) M. For Singh of Laitonjam ... Petitioner

-Vs-

(i) (L) Meitangkeishangbam For Singh S/o (L) M. Paka, Laitonjam
(ii) Meitangkeishangbam Muhindro Singh S/o (L) M. For, - do - ... P.O.

/ NOTICE

Dt. 28-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 18-Laitonjam, Patta No. 18/172 (New) Dag No. 193 & 197 an area of 0.51 & 0.1 acres of Phourel Class হায়রিবা ফৌরেল লৌ অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লুনা য়েংপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0195/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 193/SDC/NBL of 2021

Naorem Punsiba Mangang S/o (L) Tomba Meitei of Naorem Mayai Leikai ... Petitioner

-Vs-

(Late) Naorem Ibema Devi W/o (L) N. Momon (Tomba) Singh of Naorem Mayai Leikai ... P.O.

/ NOTICE

Dt. 28-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22-Naorem, Patta No. (i) 204 (Old), 295 (N) (ii) 137 (O), 570/1317 (N) Dag No. (i) 158 (ii) 1749/2292 an area of (i) 0.302 acres (ii) 1.03 acres of Taothabi & Phourel Class হায়রিবা মফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লুনা য়েংপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/0195/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 288/SDC/SWG of 2021

Parties :
Leishangthem Nomita Devi W/o Leishangthem Stalin Singh of Kongba Laishram Leikai .... Petitioner

- Vs -

Late Pattadar :
Thangjam Stalin D/o Dhiren Singh of Wangkhei Thongam Leikai .... Opposite Parties

/ NOTICE

Sawombung, the 27th Sept, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 71-Laikot পাট্টা নং 1143 (অরিবা) 563 (অনৌবা) দাগ নং 830 মোট এরিয়া 0.73 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী Thangjam Stalin অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি/দংকারিশিং অসিনা মৃত্যু কোও-পাট্টাদা নং ১গী মিং কক্লগা মহাক্কী/মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্লুনা অইবা চেওইনা আপ্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sawombung, Imphal East

HL-P/0192/29

BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

/ NOTIFICATION

Imphal, the 28th September, 2021

No. G/13 (Vol – VII)/ 2021 (DR): **It is hereby notified for information of all the concerned candidates who have applied for appointment to the post of Accountant/ LDA/ Data Assistant, Peon and Sweeper that in compliance with O.M. No. 1/22/2005 – DR – III/DP dated 18/9/2021 of the Department of Personnel & Administrative Reforms (Personnel Division) Govt. of Manipur, the scheme of examination for recruitment to Group III and Group IV posts will be as follows:**

(i) Scheme of the examination for recruitment to Group III posts: (Accountant, LDA)

Sl. No.	Sections	No. of Questions	Total Marks
1.	General Intelligence and Reasoning	25	25
2.	General Knowledge	25	25
3.	Quantitative Aptitude	25	25
4.	English Language	25	25
	Total	100	100

Questions will be of Graduate Level.

(ii) Scheme of the examination for recruitment to Group IV posts: (Peon, Sweeper)

Sl.No.	Sections	No. of Questions	Total Marks
1.	General Knowledge	50	50
2.	Basic Mathematics	25	25
3.	English Language	25	25
	Total	100	100

Questions will be of Matriculate Level.

The written test would consist of 1(one) paper of 100 nos. of Multiple choice type questions each carrying 1(one) mark and there would be no negative marks for incorrect answers or questions not attempted and the duration of the test will be 3 (three) hours.

The Scheme of examination for Section Officer (S.O.) and A.S.O. (Assistant Programmer) will remain unchanged.

The date, time and venue of the written examination scheduled on 9th and 10th October, 2021 is deferred until further notification.

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary

HL-P/0194/29

DIRECT ADMISSION 2021-22
MBBS/BDS in India/Abroad
In Top ranking Universities and Institutions

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. NAUTICAL SCIENCE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543

HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)

NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
Since 2000, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams

BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL & GENERAL COURSES ETC.

MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.

FMGE/NEXT EXAM will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023

FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334

CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in

HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.